ইম্ফাল থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২ ইরাই নুমিত্তা গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরশিংনা ন্যু দিল্লিদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ য়াওরুনব-গীদমক ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস এন্দ টেক্নিসিয়ান এসোসিয়েসনগী চীফ এদভাইজর এস ইবোপিশক সিংহনা লুচিংবা মীওই ১০ না শাবা টিম অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট দ্রাইভরস ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অদুদা দ্রাইভরশিংগী ৱাকৎ চেরোল প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিনগনি হায়না এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি কেএসঐচ নিমাই সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

নিম্পালগী মশা লোইশঙ

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ মুতুম ফিবৌ মহিলা মন্দল অপূনবা নুপী লূপপু নিম্পালগী মশা লোয়শঙ ওইরে হায়না লাউথোকখ্রে। নোংচুপ ইম্ফাল মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (নিম্পাল)গী জেনরেল সেক্রেটরী এস শান্তি লৈমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মুতুম ফিবৌ অৱাং লৈকাইদা লৈবা কাংজম মাধবী দেবীগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা অপূনবা মীফম্না ৱারেপ লৌদুনা মশা লোয়শঙ ওইরে হায়না লাউথোকখিবনি। মীফম অদুদা নিম্পালগী প্রসিদেন্ট টিঐচ ইবেয়াইমা অমসুং মুতুম ফিবৌ নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট কে মাধবী দেবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি হায়রি।

আর টি ইদা নোকফদে উৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ সর্ভ শিক্ষ্য অভিয়ান ষ্টেট মিসন ওথোরিটি মণিপুরনা লাইরিক তম্বগী কান্নবা অমদি তঙাইফদবা কয়া অদু মীয়ামদা খঙহন্নবা মীৎয়েংদা ফাগিলোই নোকফদেগী লীলা-রোইশিংগা খূৎশম্নরগা মফম খূদিংদা রাইট টু এদুকেসন (আর টি ই)দা নোকফদে হায়না মিংথোনবা ষ্ট্রিট প্লে থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা উৎলি।

ঙসি থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিস মমাঙ, থৌবাল পার্কিংদা মীয়াম্বু ভাব তাহনবা লীলা এৱার্নেস প্রোগ্রাম অসি উৎখ্রে। স্কুল চৎপা ঙমজদ্রবা অঙাংশিংদা রাইট টু এদুকেসন টু ফ্রি এন্দ কম্পলসরি এদুকেসন এক্ট ২০০৯ গা মরী লৈনবা কয়া লম্বীগী লীলা অসিদা উত্তুনা মীয়াম্বু ভাব তাহনখি হায়রি।

ইমা কোম্বী লৈখিদবগী কুমওন

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ ১৪ শুবা ইমা কোম্বী লৈখিদবা কুমওন নীংশিং থৌরম ফেব্রুৱারি ১ শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবদা লম্লেন সনাকৈথেল ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরি। থৌরম অদুদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপূনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা থৌরম মপু অদুগা নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বী লিৱা বোকুল মখোঙগী প্রসিদেন্ট ৱাইরোকপম মঙ্গোল অমসুং মৈরা পায়বী ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন কংলৈপাক (মেপৱাক)কী আর রেনশোংঙাকম্না অথোইবা লেঙবিরকপা ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

নম্বুল ফিদর ঙসি পুং খরা মৈ থিংগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ হাওবম মরক্তা লৈবা ১১ কে ভি অন্দরগ্রাউন্দ কেবল চার্জিং তৌগদবনা মরম ওইদুনা হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩.৩০ ফাওবা মোংশাঙ্গৈ সব ষ্টেসনদগী নম্বুল ফিদরগী মৈ থিংগনি। মসিনা মরম ওইরগা মোংশাঙ্গৈ, হৈরাঙ্গোইথোং, পিশুমথোং, খাগেমপল্লি, এলাংবম লৈকাই অমসুং কৈশামথোং য়াওনা অকোয়বদা পুং খরা মৈ ফংলোই হায়না আই ই দি ৱানগী দি জি এম টি ইবোচৌবা সিংহনা থোকপা চেরোলনা হায়রি।

[illegible]

[illegible]

সি পি আই শিংজমৈ লোকেল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ সি পি আই শিংজমৈ লোকেল কাউন্সিলগী ৫১ শুবা চহীগী কনফরেন্স ঙরাং চিংঙামথক চোংথাম লৈকাইদা লোকেল ওফিস্তা পাঙথোকখ্রে।

এ কালি অমসুং এস ইবেচোনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা দেলিগেট অমসুং ইনভাইটিজ ৫০ হেন্না শরুক য়াখিবা কনফরেন্স অদু সি পি আই ষ্টেট সেক্রেটরী ডা. এম নরা সিংহনা পার্টিগী ফিরাল চিংখৎতুনা হৌদোকখি।

পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরীয়েৎ মেম্বর এল ইবোয়াইমনা মপূং ওইবা ৱাঙাংলোই ওইখি। মহাক্না হায়, ঙসিগী খুন্নাইদা লৈরিবা অরৈ লৈতা মীওই কাঙলূপশিংগী শক্তম অসি পেরামিট অমগী মওংনি। খ্বাইগী মতোন্দা ক্রোরপতি খুজোক অমা লৈরগা মশীং য়াম্বা শুরি নোংলিবা লৌমী-শিন্নীশিংনা খ্বাইদগী মখা থাবদা মতোন কাঙলূপকী চাক্তাফম ওইরি। মতোন্দা লৈবা মীওই কাঙলূপকী ইন্টরেষ্ট কন্নবা মখোয়গী পোলিটিকেল পার্টি পুথোকই। মসিগী মনুংদা বি জে পিসু অমনি। কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অওনবা খুন্নাই পুরক্লবা থেংনদুনা লাক্লি অমসুং থেংনরি।

কনফরেন্স অদুদা সি পি আই ইম্ফাল সিটি দিষ্ট্রিক্টকী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ৱাই নোগেন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এগজিক্যুটিভ মেম্বর এন সুবোলসু শরুক য়াখি। মখা তানা পার্টি ওর্গনাইজেসন অমসুং পোলিটিকেল দ্রাফট রিপোর্ট য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌখিবগা লোয়ননা মেম্বর ১৩ না শাবা লোকেল কাউন্সিল অমসুং মেম্বর ৭ না শাবা লোকেল এগজিক্যুটিভ মথং চহীগী থবক পুনবা শেম্বগা লোয়ননা এ সি শর্ম্মবু লোকেল সেক্রেটরী অমসুং এস য়াইমবু এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ওইনা খনখ্রে।

মখা তানা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ৮ লৌদুনা সরকারদা তকশিনবা হায়নসু য়ানখি। ৱারেপশিং অদুদি ৱার্দ নম্বর ১৭ তা ঈশিং থুম্লিবসি কোকহন্নবা থাইনদগী ঈশিং চিথফম ওইরম্বা ককৱা পাৎকী লেমহৌরিবা শরুক ঙায়োক ফার্ম ওন্থোক্লিবা অসি থিংদুনা হেন্না লুথহনবা লোয়ননা নেস্নেল হায়ৱে য়াওনা ঈশিং থুম্লিবা অসি কোকহন্নবা ককৱা পেট্রোল পম্পতগী নরসিংহ মন্দির য়ৌরমদাইদা লৈরিবা উকু ফাওবগী নাক য়েৎকী নালা লুথহন্দুনা স্লোপ পীরগা শেম্মু, মণিপুর কলেজদা য়ু জি সিগী গ্রান্ট লেপ্পগী ৱাফম কোকহন্দুনা কলেজ অসি কল্লু, শিংজমৈ সুপর মার্কেট বিল্ডিংদা হাপকৎপা য়াবা মথোল হাপকৎতুনা পাকথোক চাউথোকহল্লু, মৈ ঈশিং, টোইলেট ফুথ ব্রিদজ লু নানবা মফম ওইহন্দুনা শিংজমৈ কৈথেল মতমগা চুননা শেমগৎলু, চীংঙা হুত্তুনা গারী পার্কিং শেমগৎলু, ফুটপাথতা পোৎ য়োলহনগনু, লম্বী ময়াদা গারী পার্কিং ওইবা থিংঙু, ইম্ফাল তুরেলগী তোর্ব্বান রিটেনিং ৱাল তৌদুনা লম্বী নীংথিনা শেম্মু, শিংজমৈদগী নর্সিং মন্দির ময়াগী উকু ফাওবা তুরেল অমনবী নালা নীংথিনা শেম্মু, মফম চাবদা ইলেক্ট্রিক্ট ক্রিমেটোরিয়ম থম্মু অমসুং শিংজমৈ অর্ব্বান হেলঠ সেন্টরদা পুং ২৪ গী ইম্মর্জেন্সি সার্ভিস লৈহল্লু, নুপী অঙাংগী স্পেসিয়েলিষ্ট ডাক্তর থম্মু, অঙাং উনবগী খুদোংচাবা লৈহল্লু অসিনচিংবনি।

থৌবালদা এন্টি লেপ্রোসি দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জনুৱারি ৩০ঃ লাইওন্স ক্লব অমসুং লিও ক্লব ওফ থৌবাল অমদি আই আর দি ই ও ৱাংজিং খূৎশম্নদুনা রাষ্ট্রপিতা মহাত্মা গান্ধী লৈখিদবা নুমিৎ জনুৱারি ৩০ বু নেস্নেল লেপ্রোসি দে হায়না ঙসি থৌরম পাঙথোকখ্রে।

লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপা থৌরম অসিগী মনুং চন্না আই আর দি ই ও ৱাংবলগী ইন্দোর হোলদা ঙসি লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দি রিজন চিয়ারপার্সন লাইওন জোয় ওইনাম, লাইওন্স ক্লব থৌবালগী প্রসিদেন্ট লাইওন ডা. এম রাজেন্দ্র, লেপ্রোসি ইরাদিকেসনগী দিষ্ট্রিক্ট চিয়ারপার্সন ডা. সিঐচ রেনুবলা অমদি আই আর দি ই ওগী সেক্রেটরী কেঐচ কুমারনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

রাষ্টপিতাগী ফোটোদা লৈশু কত্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎলবা তুংদা ডা. সিঐচ রেনুবলানা হায়, জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধীনা অতোনবা কাঙলূপশিংবু নুংশিজরম্বা, মরু ওইনা মতম অমদা মীয়াম্না কিনরম্বা লায়না অমা ওইরিবা লেপ্রোসিনা নাবা মীওইশিংগীদমক হোৎনরম্বা অমদি কখোক্লম্বা অদু নীংশিংদুনা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

লেপ্রোসি য়াম্না লৌনগনবা লায়না নত্তে নীংথিনা লায়েংলবদি ফহনবা ঙম্মি। চেকশিনহৌদ্রবদি শোয়নাইহনবা ঙম্বা লায়না অমনি হায়বসি মীপূম খূদিংনা খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

নহারোলশিংগী ফেষ্টিভেল ইম্ফাল জম্বোরি পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ গ্লোবেল সপর কম্যুনিটি ইম্ফাল হবনা শীন্দুনা নহারোলশিংগী অখন্নবা ফেষ্টিভেল ইম্ফাল জম্বোরি লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৩ দগী ৫ ফাওবা উরিপোক কাঙচুপ লম্বীদা লৈবা লম্বোই খোঙনাংখোঙদা পাঙথোক্কদৌরি।

গ্লোবেল সপর কম্যুনিটিগী ক্যুরেটর ইলিজাবেট ওক্রম্না ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৩ দগী ৫ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না নহারোলশিংগী ফেষ্টিভেল ইম্ফাল জম্বোরি পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী থিমদি য়ুথ ভেল্যু ক্রিয়েটর ওফ টুমোরো হায়বা অসিনি।

নহারোলশিংগী চাউখৎ থৌরাং মপূং ওইনা মশানা মশাবু থবক পীজনবা হোৎনবা অদুগা খুন্নাইদা নহারোলশিংনা চপ চাবা থৌদাং লৌহনবা অসিনচিংবা কয়া খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ফেষ্টিভেল অসিদা অখঙ অহৈ কয়া য়াওনা হিরম কয়াদা খন্ন-নৈনবগী প্রোগ্রামসু চখৎগনি। পেনেল দিস্কসন অসিদা মায় পাক্লবা ইন্টপ্রেনিয়র কয়া শরুক য়াগনি হায়রদুনা মহৈরোয় অমসুং নহারোলশিংনসু ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াহন্নিংবগী অপাম্বসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থেংজাংদা লৌমীশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ লৌমী শিন্নী অপূনলূপ (লৌশাল) মণিপুরনা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (সি এ য়ু)গী রিছার্স দিরেক্টোরেটকা খূৎশম্নদুনা করম্না অফবা মরু শীজিন্নগনি হায়বগী মতাংদা লৌমীশিংগী ওইবা নোংমগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থেংজাং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

লৌশালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী কেঐচ রোনেক্স খাবনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা সি এ য়ুগী দিপ্যুটি দিরেক্টর ডা. টিঐচ রোবিন্দ্রো সিংহ, লৌশালগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনি মৈতৈ, টি বি সি পাষ্টর অসাপাও থাইমৈ অমসুং থেংজাং ভিল্লেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরী দি পি অলশুৱেনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। ডা. টিঐচ রোবিন্দ্রো সিংহনা হায়, অফবা মরু মরাং মতৌ করম্না লৌগনি অমদি শীজিন্নবগী কান্নবা করম্না ফংবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়বসি পূন্না খঙমিন্নবা তঙাইফদে।

মুতুম চুরামনিনা হায়, অফবা মরু মরাং পুথোকপা হায়রগা মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা সার্টিফাইদ তৌরবনি হায়বসি কদাই ফাওবা চুম্বনো হায়বা লৌমীশিংনা খঙদে। অদুনা ঐখোয়না পুথোকচবা তিঙ্ঙং কাইজংদবা অফবা মরু অদুনা মথং চহী লাকপদা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা লিবগী মওং, করি করি হাপ্লগা তিন তাহন্দনা থম্বা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা লৌমী ৬০ রোম্না শরুক য়াখি হায়রি।

হাউসিবু জ্বার ওইনা উহনবা লাইবক থিবনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংনা মীয়ামগী তঙাইফদবা থবক থৌরম খরগীদমক ফন্দ খোম্না ওইনা হাউসি শান্নববু জ্বার ওইনা উহনবসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়না ওল মণিপুর হেন্দিকেপ পার্সন্স ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন হাওবম মরক কৈশাম লৈকাইনা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, শোত্থরিবা দিসএবলশিংনা চল্লাইবা এন জি ও অসিনা দিসএবলশিংগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমদি চহীগী পাঙথোক্কুনা লাক্লিবা থৌরমশিংগীদমক ফন্দ দ্রাইভ ওইনা য়াম্না ৱানা অমদি মতম চঙনা হোৎনদুনা হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা হাউসি পাঙথোক্লবা তৌরম্বদু অরেম্বা ওইরে। তঙাইফদনা এসোসিয়েসন অসিগী থবক থৌরম কয়াদা শীজিন্নগদবা ফন্দ ইপাক্লা পুথোকপা নৎত্রগা পীবা ঙমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং হংলদুনা ইপাক্লা হাউসিবু জ্বার ওইনা মীয়ামদা উহল্লিবা অসি অকনবা মওংদা নিন্দা তৌই হায়রি।

ঙসিদগী নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ তা পুং ৭২ গী ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগনি-জে কে পি

জিরিঘাট, জনুৱারি ৩০ ঃ চৎলিবা থা অসিগী ৯ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা জিরিঘাটকী লালপানি পার্ট টু (বাখল) খুলদা লৈবা ভেন দ্রাইভর নুরহুসেন লাস্কর (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা সরোজউদ্দিন জিরিবামগী জিরি থোং মনাক্তগী শকখঙদবশিংনা নোনে ফাওবা চৎসি হায়না ৱাইদুনা পুখিবদগী ঙসি ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরকখিবগী মতাংদা হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ তা অহানবগী ওইনা পুং ৭২ গী ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌরগনি হায়না জনা কৈলান পরিষদ (জে কে পি) বরাক ভেল্লি অসামগী প্রসিদেন্ট জিবন তালুকদারনা ঙসি লাউথোকখ্রে।

জিরিঘাটতা লৈবা বালিবা বিদ্যলয়া এল পি স্কুলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা জিবন তালুকদারনা হায়, ভেন সার্ভিস তৌদুনা য়ুম পুরিবা নুর হুসেন লাস্করবু মণিপুর ষ্টেটকী জিরিবামদগী মফম খঙদনা মাঙখিবা অসিগা মরী লৈননা মহাকপু তেক্ত কায়দনা পুথোকপীয়ু হায়না দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবামগী খূত্থাংদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা হায়জ চেরোল পীদুনা ৱাকৎখিবনি লোয়ননা ওফিসিয়েল ওইনা থাজবা কয়া পীবদগী ঙসি ফাওবা ঙাইদুনা লৈরকখিবনি। অদুবু মণিপুর সরকারনা এক্সন অমত্তা লৌরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা দিপ্যুটি কম্মিস্নার জিরিবামগী খূত্থাংদা ঙসিসু চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবদি নুর হুসেন লাস্কর অমদি মহাক্কী ভেন অদু পুথোকপীয়ু করিগুন্বা পুং ৪৮ গী মনুংদা মণিপুর সরকারনা এক্সন লৌখৎতবা তারগদি অহানবা খোঙজং ওইনা নেস্নেল হায়ৱে ৩৭ তা পুং ৭২ গী ইকোনোমিক ব্লোকেদ তৌগনি হায়না খঙহনখি। খোঙজং অসি ফাওবদা মণিপুর সরকারনা মীৎয়েং চঙলক্তৱবদি হেন্না কনবা খোঙজং মীয়ামগা পূল্লগা চঙশিনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, অসামদগী মাঙখিবা গারী কয়া মণিপুরদা লৈরম্বা অদুনা তাকপদি গারী হুরানবশিংগী লৈফম ওইরে হায়বনি। মসিদা মণিপুর সরকারনসু মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়জখি। অদুবু মখা তাবা পাউ নৎত্রগা এক্সন অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতে।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা য়াওখিবা জিরিঘাট জি পিগী প্রধান রাজেন শর্ম্মনা হায়, মণিপুর ষ্টেটকী জিরিবামদা মী কয়া মাঙখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা মণিপুর সরকরনা তুমিন্না লৈশিল্লিবসি তশেংনা লাইবক থিবনি। ঙসিদগী চহী ৪-৫ রোমগী মমাঙদা দিলিপ দাস অমদি পোরেস দাস কৌবা মীওই অনীসু মাঙখি। মশা ফাওবা ফংবা ঙমদনা ঙসি ফাওবা লৈরি হায়নসু মহাক্না পাউদমখি।

নুর হুসেন লাস্করগী মনাওনুপা নুর অহম্মদনা হায়, মখোয় মচিন মনাও ৪ গী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি। য়াম্না চম্না হিংজবনি। মচিন মনাও অহুমদি মপাল লমদা থবক শুদুনা লৈবনি অদুগা ময়াম্বা নুর হুসেন লাস্করসু য়ুম পুনবা হায়দুনা ভেন সার্ভিস তৌদুনা লৈবনি। মহাক চৎলিবা থা অসিগী ৯ দগী ঙসি ফাওবা থিবা ফংদনা লৈবসি য়াম্না নুংঙাইতে। মরম অদুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মহাকপু তেক্ত কায়দনা ইমুং মনুংদা শিন্নবিয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

অপোকপী আর মেহরুল নেশাসু পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখি।

মীয়ামগী ৱাকৎ চীফ মিনিষ্টরনা তাবিদবসি পেন্দে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ মীশিং য়ামজদবা মীয়ামগী ৱাকৎ চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা তাবিদবসি পেন্দে হায়না বেঙ্গুন য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (বি ৱাই দি এ)না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী মোহমদ রাজানা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুর সরকারগী এম ও বি সি দিপার্টমেন্টদা মীৎয়েং চঙবিনবা সি এস ওশিংনা খোঙজং ফাওবা চঙশিন্দুনা হায়জরবসু দিপার্টমেন্ট অসিগী ইন-চার্জ মিনিষ্টরসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা তুমিন্না লৈথোকপা অসি চিংননিঙাই ওই।

হুরানবশিং কয়াম কুইনা কনখৎতুনা থমগদৌরিবনো, দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং নিয়মগী মখাদা থবক ওইনা তৌখিব্রা হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া থল্লদুনা স্কিম ওফিসারশিংগা এজেন্ট খরগা লৌতুনরগা মাইনোরিটি মীয়ামগী চাকথুং মত্তুনা লাকই হায়বসি মীপুম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি।

ই দি পি, এস দি পি হাউসিং অমদি স্কোলারসিপনচিংবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াগী বেনিফিসরি খনবদা মমিং মথা চানদবা শেমজিন শাজিনবা কয়া য়াওরে হায়বসি মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়ার ওর্গনাইজেসন্না পূথোক্তুনা চুমথোক্লবা কয়ারক হায়খিবা লৈরে অমদি ওফিস ফাওবা শো লোনশিন্দুনা খোঙজং চত্থখিবা লৈরে। অদুবু ঙসি ফাওবা চীফ মিনিষ্টরনা অদুমক তুমিন্না লৈথোক্লি। হিরম অসিগী মতাংদা এম এম দব্লিউ ওনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খূদিংমক্তা এসোসিয়েসন অসিনা মাঙজিন থানা শরুক য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা অমনা রুরেল ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ইরোং চেশাবনসু মীশিং য়ামজদবা চাউখৎ লমজেলদা হন্থনা লৈহৌরবা মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহন্নবা এম এম দব্লিউ ওনা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়রি। ওর্গনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরী অব্দুল লতিফনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মাইনোরিটি কম্যুনিটিতা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি চিন্দা রাম রাম বদলমে চকু হায়বা অদুনি হায়রি।

এ আই এস এফকী পোষ্টর কেম্পেইন চত্থরি

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা দাবী ৬ তা য়ুম্ফম ওইবা থা অনী চূপ্না চত্থগদবা পোষ্টর কেম্পেইন মায় পাক্লা চত্থরি।

এ আই এস এফ ষ্টেট সেক্রেটরী কেঐচ রামেশ্বর সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, কেম্পেইন অসি চৎলিবা থা অসিগী ৯ দগী হৌখিবনি। ঙসি ফাওবদা কেম্পেইন অসিদা মীয়াম্না পূক্লিং থৌগৎপিবগীদমক অপেনবা ফোঙলদুনা স্কুল, মীয়াম তিনবা মফম অমসুং সিনেমা হোলশিংদা মপূং ওইবা মীৎয়েং থমদুনা চত্থরকখিবনি। ঙসি ফাওবদা হাফিজ ব্রাইটর একাদেমি, এ আই এম, ইষ্টর্ন পোইন্ট একাদেমি, ব্লেক ব্লার্দ স্কুল, এল মনি মেমোরিয়েল একাদেমি, সুরজ ররি ফ্লৱার স্কুল, ইষ্টর্ন জন্টর, ন্যু হোরাইজন পব্লিক স্কুল, রিদেন্ট ষ্টার ইংলিস স্কুল, মারিয়া মোন্টেশ্বরি, ভেরোদান হায়স্কুল, জোভেল্ট সেমুৎ, কেরিয়র ইংলিস স্কুল, পোপুলর ইংলিস স্কুল, ইকোপার্ক, এম এম আর সি ভেরাইটি পার্ক, অওন চীং পব্লিক পার্ক, ফ্রেন্দস টোল্কিস অমসুং কে কে সিনেমা হোলনচিংবদা পাঙথোকখ্রে। মখা তানা তোঙানা তোঙানবা মফম কয়াদসু পাঙথোকখিগনি হায়রি।

নরেন্দ্রপুরদা থাঙ-তা, পুং অমদি ধোন চোলোম উৎখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩০ ঃ রামকৃষ্ণ মিসন অশ্রম নরেন্দ্রপুরগী ত্রাই সেলেব্রেসনদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী মেম্বর ১০ না শাবা কলচরেল ট্রুপ অমনা ঙরাং থাঙ-তা, পুং অমসুং ধোন চোলোম উৎখ্রে। থৌরম অদুদা দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার সিংহসু শরুক য়াখি।

অতোপ্পা অমনা সঙ্গিট নাটক একাদেমি ন্যু দিল্লিনা শীন্দুনা রাষ্ট্রপতি ভবন লোনদা ফ্রেবুৱারি ২ ইরাই নুমিত্তা পাঙথোক্কদবা রাষ্ট্রপতি ভবন দিবসতা একাদেমি অসিগী মেম্বর ১০ না শাবা কলচরেল টিম অমনা পুং চোলোম অমসুং ধোন চোলোম উৎকনি হায়রি। একাদেমি অসিগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রো শর্ম্মনা লুচিংবা কলচরেল টিম অদু হয়েং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রগনি হায়না এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার এন ইবেতোম্বী দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়রি।

ঙসিগী রাষি ফল (৩১-০১-২০১৮)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল

মেষঃ শাওনবা, খৎনবা, ৱারৌবা মতম্লি। শেল চৎপা, কোক শাবা মতম্লি। অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা লাঙগনি। নক্ষত্র ১ ফগনি, ২ চাং অমদা লৈ, ৩ ফগনি।

বৃষঃ চাউখৎপা, ফগৎপা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। মরুপ মফম ফগৎলগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। খরদি লাঙগনি। নক্ষত্র ৩ ফগনি, ৪ ফত্তে, ৫ ফগনি।

মিথুনঃ চয়েৎনবা মরক্তা খুদোংচাবা থেংনবা হোৎনজমন কান্নবা ফংবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ ফত্তে, ৭ ফগনি।

কর্কটঃ খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনজমন কান্নবা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা ফংলগনি। নক্ষত্র ৭, ৮, ৯ অফবনি।

সিংহঃ অশোক অপন থেংনবা মতম্লি। ৱাখল শাগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। ৱাখল চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১০ ফগনি, ১১ ফত্তে, ১২ ফগনি।

কন্যাঃ চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা পাঙথোকপা, লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নবা মতম্লি। অচৌবনা নুংশিবিরগনি। নক্ষত্র ১২ ফগনি, ১৩ ফত্তে, ১৪ ফগনি।

তুলাঃ অয়েৎপা লৈরবসু অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি হৈ শিংঙউ। য়েংশিনবা য়াম্মী। খরদি চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

বৃশ্চিকঃ হোৎনবা য়াবা, চাউখৎপা, ফগৎপা,অরুবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭,১৮ অফবা ওই।

ধনুঃ অশোক অপন থেংনবা, ৱাখল লাঙবা ওইরগনি। শেল চৎপা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ইমুংদা মত খেন্নবা মতম্লি। নক্ষত্র ১৯ ফগনি, ২০ ফত্তে, ২১ ফগনি।

মকরঃ অপনবা থেংনরবসু পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াবা মতম্লি। হকচাং নুংঙাইতে। নক্ষত্র ২১ ফগনি, ২২, ২৩ চাং অমদা লৈ।

কুম্ভঃ হোৎনজমন কান্নবা মতম্লি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা শান্তি লৈরগানি। নক্ষত্র ২৩,২৪,২৫ অফবনি।

মীনঃ অরুবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবা নুংশিবিবা মতম্লি। নক্ষত্র ২৫,২৬,২৭ অফবনি।


চাকঙাই ৱারী-৮
নুপাদুনা ৱারীদু লীদুনা তাহল্লে
অশেংবরানে নংনা তম্মীবা ৱারীসিবো হৌজিক্কী মতমদবো
অচুম্বনি নুপী ঐনা হায়রিসে
ইচা পোক্তে হায়দুনা মীগী মচাবু করিগী হুরাল্লুগদগে পাপ চেনবা নোরোক্তা তাগদবা থবক কৈদৌঙৈদা তৌরোইনে